**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 05-08-2025)**

**কন্দোলেন্সঃ** মনিপুরদা রাস্ত্রপতিগী সাসন থা তরুক অমগা মখা তানা শাংদোকপদা রাজ্য সভানা অয়াবা পীখ্রে। লাক্লিবা থা অসিগী ১৩ দগী হৌরগা মখা তানা অতোপ্পা থা তরুক অমগা রাস্ত্রপতিগী সাসন থমবা রাজ্য সভানা অয়াবা অদু পীখিবনি।

কেন্দ্রগী গৃহ রাজ্য মন্ত্রি-নিত্যানন্দা রাইনা ঙসি রাজ্য সভাদা রাস্ত্রপতি সাসন শাংদোকবগী রিজোলুসন অদু পুথোকখি। কংগ্রেস য়াওনা বিরোধি দলশিংনা য়ানিংদবগী খোল্লাউ লাউরকপা মরক্তা দিপ্যুতি চেয়ারমেন-হরিবন্স নরায়ননা ভোইস ভোটতা রিজোলুসন অদু পাস তৌখি। মনিপুরদা রাস্ত্রপতি সাসন থা তরুক শাংদোকপগী অয়াবা অসি লোক সভানদি মমাং চয়োলদা অয়াবা পীখ্রবনি।

লোক সভাদা ঙসি লৌউ শিংউ মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহ চৌহাননা মহাক্কী মন্ত্রালয়না লৌমীশিংগা য়াইফ থৌরাংগীদমক পায়খৎলিবা থবকশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোক্লিঙৈদা বিরোধি দলশিংগী সদস্যশিংনা বিহার স্পিসিএল ইনটেন্সিব রিভিজনগী মতাংদা খন্ননবা তকশিনদুনা চরাংনবা থোরকপদগী সভাগী মীফম নুংথিল পুং অনি ফাওবা য়ৈথোকখি।

রাজ্য সভাদসু মীফম হেক হৌবগা বিরোধি সদস্যশিংনা ৱাফম অসিগী মতাংদা খোল্লাউ লাউদুনা চরাংনবা থোকখি। তুংদা, সভা অনিমক্কী মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা য়ৈথোকখি।

**ভল্লা (এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা হায়রি-মহৈরোইশিংনা দিগ্রী ফংনবা খক হোৎনবগী মহুৎতা ৱাখল মুন্না খন্দুনা থৌনা লৈনা লুচিংবা ওইদুনা

দায়ত্ব খঙনা থৌদাং য়ানবা হোৎনগদবনি।

মনিপুর টেকিকেল য়ুনিভরসিতি (এম.টি.য়ু) গী ঙসি পাঙথোকখিবা ১০ শুবা ফাউন্দেসন ডেগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী ভালানা হায়-কুমজা ২০১৬ তা লিংখৎখিবা রাজ্য সরকারনা চল্লাইবা অহানবা টেকিকেল য়ুনিভরসিতি অসিনা হৌজিক ফাওবদা লেপ্পা লৈতনা চাউখৎলক্লিবা অসি শিংথানিংঙাইনি। নেসনেল এদুকেসন পোলিসি ২০২০ গা চুশিন্ননবা থবক তৌদুনা হেন্না চাউখৎপা ইনোভেসন, রিছার্স অমসুং ইন্দষ্ট্রিগী হব ওইবা য়ুনিভরসিতি অমা ওইরকবসু মহাকা তকশিনখি। আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স, রিন্যুয়েবল ইনর্জি, রোবোটিক্স অমসুং দেটা সাইন্সকী লমদা জাতিগী থাক্তা চাংদমবা ঙম্বা মহৈরোইশিং হেন্না পুথোকবা মখা তানা হোৎননবসু শ্রী ভালানা ফোংদোকখি।

মহাকা হায়-এম.টি.য়ু. অসি শুপগী ইন্সটিট্যুসন অমখক ওইবতা নত্তনা মনিপুরবু মরোমদোম লেপচবা ঙমহন্নবা মতিং লৈবা মীৎয়েং শানবা মহৈরোই কয়া পুথোক্কদৌরিবনি। য়ুনিভরসিতি অসিবু হেন্না ফবা য়ুনিভরসিতি অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা মরী লৈনবা খুদিংমকা মতেং পাংবীনবসু রাজ্যপালনা আপিল তৌখি।

থৌরম অদুদা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসার-ডল্লিয়ু.চান্দ বাবু, মনিপুর টেকিকেল য়ুনিভরসিতিগী রেজিস্ত্রার-রামানন্দা নোংমৈকাপ্পম, য়ুনিভরসিতি অসিগী ফেক্লতিশিং, মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং অমদি মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি।

**টিবি (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পুজা এলাংবমনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি ট্যুবরকোলোসিষ্ট লায়না থেংননবগা মরী লৈননা ট্যুবরকোলোসিষ্ট (টি.বি) ফোরম মীটিং জিলা অসিগী মিণি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা নেসনেল ট্যুবরকোলোসিষ্ট ইলিমিনেসন প্রোগ্রাম

(এন.টি.ই.পি) গী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট টি.বি. সেন্টরনা শিনবনি। মীফম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট টি.বি. ওফিসার-ডা: সোরাইশম ব্রোজেন সিংহনা দিষ্ট্রিক্ট টি.বি. সেন্টরনা ফংহল্লিবা হকশেলগা মরী লৈনবা খুদোংচাবশিং, এন.টি.ই.পিগী থবক থৌরমশিং, টি.বি. প্রিভেন্টিব থেরাফি (টি.বি.টি) ইমপ্লিমেন্ট তৌনবগা মরী লৈননা পৱার পোইন্ট প্রজেন্টেসন অমসু উৎখি। মীফম অদুদা ৱা ঙাংবদা দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পুজা এলাংবমনা হায়-টি.বি. লায়না নারে হায়বগী চিংনবা লৈরবদি অথুবা মতমদা টেষ্ট তৌদুনা ঙন্না খঙদোকহৌবনা লায়না অসি থেংননবদা হেন্না খুদোংচাহনগনি। মহাকা হায়-তোঙান তোঙানবা স্তেকহোল্ডরশিংগা লোয়ননা পুন্না হোৎনমীন্নদুনা টি.বি. লায়না লৈতবা সমাজ অমা ওইহন্নবা হোৎনমীন্নরসি।

**লাইরিক(এল)ঃ** খুরাইজম নিমাইচরনগী পুন্সি অমদি খোরিরোল কৌবা অপুনবা খোমজিনবা ৱারেলগী লাইরিক অমা ঙসি ইম্ফালগী মনিপুর পেস ক্লবকী লোক্তাক হোলদা ফোংখ্রে।

ঈরমদম মীয়ামগী অপুনবা খোর্জে লুপ (ইমাখোল) অৱাং পোৎশংবম খুনৌনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মনিপুরি লেঙ্গোইজ এদভাইজরি বোর্ডকী কনভেন্নর-রাজেন তোইজাম্বা, ইমাখোলগী প্রসিদেন্ট-শগোলশেম বিলাসিনি অমসুং সাহিত্য একাডমী এৱার্দি-ক্ষেত্রি বিরানচিংবা শকাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি। লাইরিক অসিগী এদিটরনা-আর.কে. সনাহনবীনি।

**নুপী(এল)ঃ** নুপীশিংবু নুমিদাং অথেংবদা থবক শুহন্দনবা সরকারনা চেরোল অমা থোকখ্রে।

রাজ্যগী টেক্সতাইলস, কর্ম্মস এন্দ ইন্দিষ্ট্রিগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি-অনুরাগ ভাজপায়না থোকপা নোটিফিকেসন অমদা হায়-ফেক্তরিজ এক্ট-১৯৪৮ গী সেক্সন ৬৬ গী সব সেক্সন ৱান ক্লোজ (বি) গী মখাদা নুপীশিংবু নুমিদাং পুং ১০ গী মতুংদগীনা মথং নুমিৎকী অয়ুক পং ৫ ফাওবগী মনুংদা থবক

শুহল্লোইদবনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়-মশাগী অয়াবা য়াওদনা নুমিদাং পুং ৭ কী মতুংদা নুপীশিংবু থবক শুহল্লোইদবনি। মশাগী অয়াবা য়াওনা থবক শুগদবা ফেক্তরিনচিংবা মফমদা সি.সি.টি.ভি. কেমেরা খিনগদবনি অমসুং মখোয়না দরকার লৈবগী মতুং ইন্না চৎকদবা ফেক্তরিগী অকোইবদসু সি.সি.টি.ভি. কেমেরাশিং থমগদবনি। মেনেজর নৎত্রগা থবক মপুশিংনা নুমিদাংগী মতমদা নুপী ৱাকরশিং ময়ুম ফাওবা থিনবীনবা ত্রান্সপোরটেসনগী খুদোংচাবা পীগদবনি। থবক মফমদা নুপীশিংগী ইকায় খুমবা মাঙবা য়াবা থৌওং অমত্তা থোকহন্দনবা ফেক্তরিগী মপু নৎত্রগা মেনেজরনা দায়ত্ব লৌগদবনি হায়বনচিংবা ৱাফমশিংসু নোটিফিকেসন অসিদা য়াওরি।

**কোবিদ (এল)ঃ** মনিপুরদা হৌজিক কোবিদকী এক্তিব কেস তরুক লৈরি। ঙসিগী ওইনা মীওই ১৭ টেষ্ট তৌবদা মীওই মঙা নৌনা কোবিদ নাইন্তিন পোজিটিব ওইবা থেংনখি। লায়না অসিনা নারন্বা মীওই অমসু ঙসি নাবা ফগৎলকখি।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগকী চেরোল অমনা হায়-লায়না অসিনা নারন্বা মীওই ৩৫৯ গী মনুংদা পুন্না মীওই ৩৫৩ নাবা ফগৎলক্তুনা এক্তিব কেস তরুক্তা ঙায়হৌবনি। চহি অসিগী জন্ অমদগী নৌনা শন্দোকপা হৌরকখিবা কোবিদ নাইন্তিনগী লায়চৎ অসিনা মনিপুরদা হৌজিক ফাওবদা মীওই অমত্তা শিখিবগী পাউ লৈতে।

**ফিল্ম(এল)ঃ** চহি অসিগী এস.এন. চান্দ লাইফ টাইম এচিপমেন্ট এৱার্ড, সনা কৈথেল ফিল্মগী প্রদ্যুসর-থৌদাম দোরেনদা পীরগনি।

সিনে আর্টিষ্ট এন্দ টেকিসিয়ান এসোসিয়েসন (কাটা) অমসুং মনিপুর ফিল্ম দিবলপমেন্ট কোরপোরেসন সোসাইতিনা পুন্না থা অসিগী ৮ দা

পাঙথোক্কদৌরিবা ৯০ রক শুবা এস.এন. চান্দগী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা মনা অদু খুৎশিন্নগনি। নুমিৎ অসিদা ১৯৭৩ দা পুথোকখিবা এস.এন. চান্দনা দিরেক্সন অমদি স্ক্রিন প্লে তৌখিবা ফিল্ম-ব্রোজেক্টে দ্রাগী লুহোংবা মীয়ামদা উৎকনি।

**অশ্বিনি(এল)ঃ** লোক্তাক দিবলপমেন্ট ওথোরিতিগী হান্নগী চেয়ারমেন-এম. অশ্বিনি কুমারনা কেন্দ্রগী য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্ট মন্ত্রি-মনশুখ মন্দাভিয়াগা উন্নদুনা তাকমু ৱাটর স্পোর্টস কমপ্লেক্সপু সাই সেন্টর ওফ এক্সিলেন্সতা ওন্থোকপীনবা তকশিনখ্রে।

কমপ্লেক্স অসি কুমজা ১৯৯৯ দা পাঙথোকখিবা ৫ শুবা নেসনেল গেমসকী মতমদা শাখিবনি। হৌজিক ফাওবদা ৱাটর স্পোর্টস কমপ্লেক্স অসিনা রোয়িং, কেনোয়িং অমসুং কিয়াকিংদা জাতি অমসুং মালেম থাক্কী শান্নরোই ৩০০ হেন্না পুথোকখ্রে। মরম অদুনা কমপ্লেক্স অসি জাতিগী থাক্তা ৱাটর স্পোর্টসকী ট্রেন্নিং তৌফম অমা ওইনা শেমগৎপগী তঙাইফদবা লৈরে হায়না শ্রী অশ্বিনি কুমারনা মন্ত্রিগী পুকিং চিংশিনখি। মফম অসিবু নীংথিনা শেমগৎলবদি জাতি অমসুং মালেম থাক্কী ৱাটর স্পোর্টসকী কম্পিটিসনশিং পাঙথোকপগী ফজরবা মফম অমসু ওইবা ঙমগনি হায়না মহাকা ফোংদোকখি।

তুংদা, শ্রী অশ্বিনি কুমারনা স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া (সাই) গী সেক্রেটরি (স্পোর্টস) কম দাইরেক্তর জেনরেল-হরি রঞ্জন রাওগসু উন্নদুনা ৱাফম অসিগী মতাংদা তকশিনখি হায়রি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবামগী বাবুপারাদা লৈবা জিরিবাম হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা লাঞ্জেন্নরক্কুনা লৈরিবা মীওইশিংগী ওইবা নুমিৎ তরেৎনি চুপা চথুগদবা মেকঅপ ট্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি জিরিবামগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমারনা হৌদোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন জিরিবামনা মনিপুর ষ্টেট রুরেল লাইফলিহুদ মীসন জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুন্না শিনদুনা পাঙথোক্লিবা ট্রেন্নিং প্রোগ্রাম অদু হৌদোক্লদুনা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা হায়-ট্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসিনা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংগী শেন্থোক হেনগৎহনবদা খরদং ওইরবসু মতেং পাংবা ঙম্লগনি। লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংনা খুদোংচাবা অসি লৌদুনা ট্রেন্নিং মনুংদা হৈননবা নীংথিনা তমবসু দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা আপিল তৌখি। ট্রেন্নিং অদুদা পুন্না ট্রেন্নি ২৬ না শরুক য়াখি।

**উ (এল)ঃ** জোনেল এদুকেসন ওফিস-জোন থ্রি, থৌবালনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবাল, সামগ্রা শিক্ষা মনিপুর অমসুং দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিস থৌবালগা পুন্না শিনদুনা এক পের, মা কে নাম কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি থৌবাল তোমজিংদা লৈবা থৌবাল লৈশাংথেম কনহাই জ়নিয়ার হায়স্কুলদা উ চারাশিং থাখ্রে।

থৌরম অদুদা মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং অমদি স্কুল অসিগী মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি।

**ট্রেন্নিং (এল)ঃ** চান্দেলগী লামবুং কম্যুনিতি হোলদা ফি-মচু শঙবগী মতাংদা নুমিৎ হুমনি চথ্নগদবা ট্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসিদগী হৌখ্রে।

দি.এফ.ও. চান্দেলনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা ট্রেন্নিং প্রোগ্রাম অদু হৌদোকপগী থৌরমদা চান্দেলগী দি.এফ.ও. ডা: এন. মুনালনা হায়-লৈবাক অসিবু হেন্না চাউখৎহন্নবগীদমক ঐখোয়না লম খুদিংমক্তা নীংথিনা ট্রেন্নিং তৌদুনা মগুন লৈবা পোৎথোকশিং পুথোকবা হোৎনগদবনি। মহৌশাদগী হৌনা লমদম অসিদা ফংজবা ফি মচু শঙবগী থবক অসি নীংথিনা য়োকখৎপগী তঙাইফদবা লৈ।

**ককচিং (এল)ঃ** বৈগ্যানিক ওইবা মওংদা লৈবাক হৱাই থাবগী মতাংদা নুমিৎ নিনি চুপা চথুরকপা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি ককচিং জিলাগী কৈরক্তা লোয়শিনখ্রে।

ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অদু জনাঘাটতা লৈবা আই.সি.এ.আর-ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওপ গ্রাউন্দ নট রিছার্স অমসুং ইরোইশেম্বদা লৈবা সেন্ত্রেল এগ্রীকলচরেল য়ুনিভরসিতিগী মীৎয়েং মখাদা ওল ইন্দিয়া কো-ওর্দিনেটেদ রিছার্স প্রোজেক্ট ওন গ্রাউন্দ নটনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

**চেং (এল)ঃ** তমেংলোং জিলাগী তামৈ সব-দিভিজনগী মনুং চনবা কে.কে.খাইবা ক্লস্তরদা মীয়ামদা য়েন্থোকবগীদমক পীবা নফসাগী চেং, তমেংলোংদা লৈবা দুকান অমদা লান্না য়োন্থোক্লস্বদগী ফাগৎখ্রে।

তমেংলোংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগী পাউ পল্লদুনা ঐখোয়গী পাউমীনা হায়-চেংশিং অদু ঙসি চিংথোকখিবনি। অদুবু, লান্না য়েন্থোক্লস্বদগী ফাগৎতুনা অমুক হন্না মীয়ামদা য়েন্থোকহন্নবা থৌরাং পায়খৎলে।

**পিএমঃ** ভারত অমসুং ফিলিপিন্সকী মরক্তা ঙসি তোঙান তোঙানবা এম.ও.য়ু. ৯ সহি তৌনখ্রে। য়ান্ন-চেশিং অদু  প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগা ফিলিপিন্সকী রাস্ত্রপতি-ফরদিনাল আর.মারকোসকী মমাংদা ঙসি ন্যু দিল্লিগী হায়দ্রবাদ হাউসতা সহি তৌনখিবনি।

য়ান্ন-চেশিং অদুগী মনুংদা লৈবাক অনিনা স্ত্রেটেজিক পার্টনরসিপ ওইমীন্নবা, ক্রিমিনেলগা মরী লৈনবশিংদা আইনগা মরী লৈননা অমগা অমগা তেংবাং পীনবা, ঙাকশেল, বিগ্যান অমসুং টেকোলোজিনচিংবগী লমদা হেন্না তেংবাং পীনবা য়াওরি।

তুংদা, পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়-

ফিলিপিন্সকী রাস্ত্রপতিনা লৈবাক অসিদা লাক্লিবা অসি ভারত অমসুং ফিলিপিন্সকী মরক্তা কুটনিতিগী ওইনা মরী লৈনরকপা চহি ৭৫ ফারকপগী নুংঙাইবা ফোংদোকপা ওইনা লাকপনি। লৈবাক অনিগী মরক্তা য়ামা ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা অচেৎপা মরী লৈনরক্লি। পেহলগাম তেরর এট্টেকপু য়ানিংদবা ফোংদোক্কুনা ভারতকা পুন্না লেপমীন্নবগীদমক শ্রী মোদিনা ফিলিপিন্সকী সরকার অমসুং লৈবাক অদুগী রাস্ত্রপতিবু থাগৎপা ফোংদোক্লি।

**দুরান্দ কপ ঃ** ১৩৪ শুবা ওইল ইন্দিয়া দুরান্দ কপকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ (সি) গী মেটচ অমদা ইন্দিয়ান আর্মি ফুটবোল টিমনা ত্রিভুবান আর্মি এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

ইন্দিয়ান আর্মি টিমগী অমত্তা ঙায়রবা পাঞ্জল অদু সি-কামৈনা মেটচকী ২১ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। কপ অসিগী গ্রুপ (ই)গী অতোপ্পা মেটচ অমদনা রংদাজৈদ য়ুনাইটেদ এফ.সি. অমসুং মেলেসিয়ান আর্মদ ফোর্সেস ঙাইহাক্কী মমাংদা শিল্লোংগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়ম পোলো গ্রাউন্দদা শান্নবা হৌখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইবা টিম অনিমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদ্রি।

**ফুটবোলঃ** ডাক্তর ভি.সি. রোই ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী জ্নিয়ার বোইজ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপকী ওইনা চেম্পিয়ন ওইখ্রবা মনিপুর জ্নিয়ার বোইজ ফুটবোল টিমগী শান্নরোইশিং থা অসিগী তরুক্তা ওকপগী থৌরম অমা লমলোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

**বোক্সিংঃ** বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা চহি ১৫ মখাগী মরিশুবা সব-জ্নিয়ার বোইজ এন্দ গালর্স নেসনেল বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ থা অসিগী ৭ তগী ১৩ ফাওবা উত্তর প্রদেসকী গ্রেটর নোইদাদা পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা নুপা অমসুং নুপী বোক্সর ৭০০ হেনবনা তোঙান তোঙানবা কেটেগোরি ১৫ দা শরুক য়াগদৌরি।

**ক্রিকেটঃ** এন্দ্রিসন তেন্দুলকর ট্রোফিকী অরোইবা টেষ্ট মেটচতা ভারতনা য়ুম্বু ওইরিবা ইংলেন্দবু রন-তরুক্তা থোইখ্রে। মসিগা লোয়ননা মেটচ মঙা শান্নগদবা সেরিজ অসি টিম অনিমকা মেটচ ২-২ মায় পাকখ্রে।